**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল ৱেষ্টকী হৈবোক চীং রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকপদা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

২) ইং ২০২৭ তা পাঙথোক্কদবা হায়র সেকেন্দরি পরিক্ষাদগী হৌরগা মহৈরোইশিংদা গ্রেদিং সিষ্টেমদা মার্ক পীবা হৌরগনি হায়রি।

৩) রিলিফ কেম্পশিংদা শেম শাদুনা পুথোক্লিবা পোৎলমশিং সরকারনা লৈশিনদুনা পান্থোইবী ব্রান্দদা য়োনবা হৌরে।

৪) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা খাউদোক্লুবা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, লৌমীশিং মীপাইবা পোকরে।

অমসুং

৫) নোংলৈ নুংশিৎ দানা বঙ্গোপ সাগরদগী উরিষারোমদা পুংদা কিলোমিতর ২২০ য়াংনা শিৎচিল্লকপা হৌরে। মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

------

কেবিনেট (এল)ঃ হৈবোক চীং অসি লাইফমলেন ওইবতা নত্তনা মসিগী বাইও দাইভর্সিতি অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকপদা অয়াবা পীরে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা সভাপতি ওইদুনা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা অয়কু পুং ১১ দগী হৌদুনা পুং অমরোম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লিষ্ট তৌরবা এজেন্দাশিংগী মনুংদা মরুওইনা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদা রাজ্য অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কনবদা মতেং ওইনবা উমং য়োকখৎপা য়াওনা উপাল ৱাপাল মরাং কায়না থাবগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়- মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিবা চীং মচা মচা মোল হিলশিং সর্ভে তৌবগী থবক পায়খৎনবা ৱারেপ লৌরে। সর্ভে তৌরবা মতুংদা মোল হিলশিং অসি রিজার্ভ ফোরেষ্ট নত্রগা প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকপা য়াগদ্রা হায়বদু খন্নগনি।

ডাঃ রঞ্জননা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা হিদাকমনাগী পোখোক য়োনবা থিংনবা সরকারনা লৌখিবা খোঙথাং অসি মমাংগী চহিশিংদসু অদুমক লৌখৎখি। মহাকা হায়- সরকারনা থিংলিবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি মরুওইনা নিকোটিন য়াওবা পোৎলমশিংনি। সরকারনা মমাংদা থৌরম কয়াগা মরী লৈননা থাখিবা উ চারাশিং ফোরেষ্ট বিভাগনা কুপা য়েংশিনদুনা উ পাম্বীশিং অদু হিংনবা হোৎনরি।

ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়- রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা মণিপুর গুডস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স আইট এমেন্টমেন্ট ওর্দিনান্স অয়াবা পীখ্রে। চহি অসিগী জ্লাই অমসুং সেপ্তেম্বরদা ফমখিবা জি.এস.টি কাউন্সিলগী মীফমদা লৌফিমা ৱারেপশিং রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংনা চৎনরে।

উনিংথৌ (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌরিবা উপাল ৱাপালশিংগী মনুংদা ষ্টেট ট্রি ওইরিবা উনিংথৌ হায়রিবা উ মখল অসি কন্নবা অমদি হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিংদা মশক খঙহন্নবগীদমক মরাল কায়না থাশি অমদি অতৈ উপাল ৱাপাল কয়াসু পাক শন্না থাশি। মসিনা রাজ্য অসিদা ক্লাইমেত চেঞ্জ য়াওনা মহৌশাগী খল কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না রাজ্যগী ফিসরিজ

দাইরেক্তর হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবম মনিং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা লুৱাংশংবম য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ট্রি ওইরিবা উনিংথৌ কনশি হায়বা থৌরম অমদি প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক য়েন্থোকপগী থৌরমদা শ্রী বালকৃষ্ণনা মখা তানা হায়- মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওইনসু মাগী মাগী লমদুগী মশক নাইবা উ মখলশিং লৈরি। উনিংথৌ হায়বা উ মখল অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লাইওইখ্রবা অহল লমনশিংনা উগী নিংথৌনি হায়না মশক নাইনা তাকপীরম্মী। মরম অসিনা উ মখল অসি কন্নবা অমদি তুংগী মীরোলশিংদা মশক থোকা খঙহন্নবা হোৎনশি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর টি. ব্রজকুমারনা হায়- উমং ৱামং কোকথোকপা অমদি মাংহন তাকহনবা হায়বসিনা মহৌশাগী খলদা চাউনা অকায়বা পীরি। অদুবু ঐখোয় খুদিংমকা নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা প্লাষ্টিক বোট্টল য়াওনা সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংনা অথিংবা থল্লিবা প্লাষ্টিক মখলশিং অসিনসু মহৌশাগী খল য়াওনা থৱায় পানবা জিবশিংদা শোকহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি মফম চানা লোইশিনবা অসিনা থৱায় পানবা জিব য়াওনা মহৌশাগী খল কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

থৌরম অদুদা ঙা মচা থাদবা, প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্কশিং য়েন্থোকপা অমদি উ চারাশিংসু থাখি।

কোসেম (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা পরিক্ষাদা গ্রেদিং সিষ্টেমদা মার্ক পীবা হৌনবা কমিতি অমা শেমদুনা য়েংশিনবা হৌরে। মার্ক গ্রেদিং সিষ্টেমগীদমক শেমখিবা কমিতি অসিগী রিপোর্ট থা ৬ কী মনুংদা লাক্লগনি হায়না কোসেমগী চেয়ারমেন টি. ওজিৎনা হায়রি।

হিয়াংথাংদা লৈবা সাইন ষ্টেফেন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপা চহি অসিগী হায়র সেকেন্দরি পরিক্ষাদা পাস তৌরবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরমদা

শ্রী ওজিৎনা মখা তানা হায়- মহৈরোইশিংদা গ্রেদিং সিষ্টেমদা মার্ক পীবা অসি ইং ২০২৭ তা পাঙথোক্কদবা হায়র সেকেন্দরি পরিক্ষাদগী হৌরগনি। লৈবাক অসিদা এন.ই.পি ২০২০ চৎনবা হৌখিবদগী রাজ্য অসিদসু মহৈ মশিং তম্বীবগী লমদা অহোংবা কয়া লাক্লে। এন.ই.পিগী অহোংবা অসিদা শরুক য়াদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা অদু লৈবনা কোসেমনসু মদু তুং ইনদুনা চৎলি। চহি অসিদগী পরিক্ষাগী ক্লেসন অমদি ইভলুএসনদসু অহোংবা লৈবা হৌরগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ফোরেন লেঙ্গুএজনা শিন্দুনা ফাইভ ইয়ার এম.এ ইন্তিগ্রেতেদ জপানিজ হায়বসিদা ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। কাঞ্চিপুরদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র, রেজিষ্ট্রার প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেঙ্গুএজগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসার এস. ইবোমচা শরুক য়াখি।

য়ুএন (এল)ঃ মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাঙথোকবগুম য়ুনাইতেদ নেসন্স ডেগী থৌরম রাজ্য অসিদসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসি ৱার্ল্ড হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন ওর্গনাইজেসন মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

হেন্দলুম (এল)ঃ রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংনা শেম শাদুনা পুথোক্লিবা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী মীৎয়েং মখাদা লু-নান্না নিংথিনা পেকেজিং তৌদুনা মীয়ামদা ফংহন্নবগী থবক চথরি হায়না মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদগী মেনেজিং দাইরেক্তর ই. জিতেননা হায়রি।

ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা কোর্পোরেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী জিতেন্না হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং

অসিনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংদা শেল থুমগী ফিভম খরদা ওইরবসু ফগৎপা ঙমবা হায়দনা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা তেংবাংশিং পীরি। মসিগা লোয়ননা স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং কয়া পীদুনা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলম কয়া শেম শাদুনা পুথোক্লি। পোৎলমশিং অদু লম্বী-শোরোক্তা থোক্কুনা য়োনবদা নুংঙাইতবা ফাওবদগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী পাডতাক মতুংইন্না কোর্পোরেসন অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা শেম শাবা পোৎলমশিং অদু লৈশিনদুনা পান্থোইবী হায়বা ব্রান্দদা য়োনবা হৌরে হায়রি। লাক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা অমদি দিৱালি কুম্মৈ অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা শেম শারিবা পোৎলমশিং অসি ইচেল ইচল, মরুপ মপাং অমদি অহল লমনশিংদা খুদোল তম্বী হায়না শ্রী জিতেন্না মীয়ামদা আপীল তৌরি।

নোনে (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা খাউদোক্লবা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংদা অৱাবা কয়া মায়োকরে। নোনে জিলাদসু নোংগী ঈশিংনা মরম ওইদুনা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনদুনা লৈরে। মসিনা মরম ওইদুনা কুম অমগী মহৈ মরোং নিংথিনা লোকপা ঙমলরোইদ্রা হায়বগী মীপাইনবা ৱাফম কয়া লৌমীশিংনা ফোংদোকরক্লি।

ক্লাইমেত (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ইন্তরনেসনেল ডে ফোর ক্লাইমেত এক্সন থৌরম মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- হোংলক্লিবা অঙ্গৈং অশাগী খল অসিদা ঐখোয়না করি তৌবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবনি। থৌরম অসি আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির ফুমলৌ, প্রাইমারি হেলথ সেন্তর ককৱা অমদি আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির তেনদোংয়াংদসু পাঙথোকখি। প্রাইমারি হেলথ সেন্তর খোঙহামপাৎনা শিন্দুনা খোঙহামপাৎতা লৈবা হোরাইজন পাব্লিক স্কুলদা থৌরম অসি ঙসি পাঙথোকখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওফিসশিংদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দাবী তৌবীরক্কনু, শিক্ষাগা মরী লৈনবা লোইশঙশিং ফ্রি জোন ওইহল্লু হায়বা দাবী তৌদুনা থৌবাল মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা জেদ.ই.ও-আই.সি.দি.এস অমদি ৱান ষ্টোপ সেন্তরগী ষ্টাফশিংনা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওজাশিং অমদি অতৈ বিভাগকী ষ্টাফশিংনা লানগী মিংদা মীয়ামদগী কা হেন্না খুদোংচাবা লৌবীগনু হায়বা প্লেকার্দশিং পায়খি।

মেলা (এল)ঃ রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিনারি ওফিস থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী উয়াল মখা লৈকাই লম্পাক্তা নুমিৎ নিনি চুপা চথরকপা ষনগী মেলা ঙসি লোইশিনখ্রে। মেলা অদু মকোক মথং তাখ্রবা ষনবুশিং অমদি শরুক য়াখিবশিংদা শেলগী মনা পীদ্না পুকিং থৌগৎখি। দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিনারিগী ডোক্তর ৬ না জজ ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ষন ফজবা তান্নবগী থৌরম অদুদা ৱাংগোই পার্ট টু থোংজাউদগী ঐচ. কিরনকান্টকী ষনবীনা খ্বাইদগী মকোক তাখ্রে। অনিসুবা মনানা উয়াল মখা লৈকাইদগী নিংথৌখোংজম দয়ানন্দগী ষনবীনা তাখি। অদুগা অহুমসুবা মনানা ৱাংবল পার্ট টু হৈরু থোংদগী থোংগ্রাম সনামতুমগী ষনবীনা তাখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী থাগী তলব নিংঙোল চাক্কৌবা মমাং থা অসিগী ৩১ ফাওবদা পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ফেলফ্যারস এসোসিয়েসন্না সরকারদা তকশিল্লি। এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি। মণিপুরদা থবক তৌরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিং অসি অপিকপা খুৎশুমলদা হিংজবনি। মরম অদুনা চহি অমগী অচৌবা কুম্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবগী মাংওইননা মখোয়গী খুৎশুমল পীথোকপীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা পল্লি।

মৈ (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা মৈ হুরানদুনা থানবা কঞ্জুমরশিংগী মথক্তা চখবা দ্রাইভতা পুন্না কঞ্জুমর ১৭ ফাগৎলে। ফাগৎলবা কঞ্জুমরশিং অদুদি- আই.ই.দি টু দিভিজন এরিয়াদগী অনি, আই.ই.দি থ্রি দিভিজন এরিয়াদগী ৬, আই.ই.দি. ফোর দিভিজন এরিয়াদগী অহুম, থৌবাল দিভিজন এরিয়াদগী অহুম অমসুং কাংপোকপী দিভিজন এরিয়াদগী অহুমনি। লোয়ননা খাজনা থিদোক্তবা কঞ্জুমর ৭ কী মৈ ককথৎলে হায়রি।

মেলা (এল)ঃ মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক)না শিন্দুনা ইম্ফালগী ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা মণিপুর সাইন্স ইক্বারিয়মদা থা অসিগী ১৮ দগী চখরকপা একজিবিসন কম ফ্লাৱার সো ঙসি লোইশিনখ্রে। লমদম অসিদা লৈ থাদুনা শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনরিবা মীওইশিং অমদি ঙা য়োকপনা শিনফম ওইরিবা লৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈ থাবা অমসুং ঙা য়োকপগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্নবা লেকচর প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি। মেলা অদুদা মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙা মখল ৫০, লৈ মখল ১২০, বোনসাই মখল ৩০ অমদি অতৈ লৈ পাম্বী কয়াসু উৎখি।

সাইক্লোন ঃ নোংলৈ নুংশিৎ দানা বঙ্গোপ সাগরগী অৱাং, অৱাং নোংচুপলোমদা তপা তপা চংশিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা উরিষাগী ভদ্রক জিলাদা নোং তাবা হৌরে। নোংচুপ বেঙ্গোলদসু নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা চেকশিন থৌরাং ওইনা রেড এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

সাইক্লোন-দনানা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই।

বঙ্গোপ সাগরদা হৌজিক শিৎলিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মসিগা থংননা লৈরিবা মফমশিংদা উ-ৱা কয়া মরু ফুকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা উরিষাগী সমুদ্র খোঙবানলোমদা পুংদা কিলোমিতর ১৯০ দগীনা ২২০ ফাওবা য়াংনা শিৎচিল্লকপা হৌরে। মসিনা মরম

ওইদুনা উরিষা সরকারনা ঙসিদগী পারগা নুমিৎ নিনি চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে। অকুৎপা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপগী থবক চথুরি। রাজ্য অদগী ভুবানেশ্বরদা লৈবা বিজ্ পটনাইক ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্ট ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯ ফাওবা এরোপ্লেন তাবা থিংখ্রে। মসিগী মথক্তা উরিষা হাই কোর্ট য়াওনা স্কুল কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিশিং ছুতি থাদোকখ্রে। রেল গাড়ি চেনবসু লেপহনখ্রে।

কাং (এল)ঃ ৱালিদা ৱাবগাইনা শিন্দুনা ৱাবগাইদা চথুরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ, কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা এল.এস.কে ৱাংগোই কাংখুৎনা লাকো খোংহামপাৎ কাংখুৎপু পাঞ্জল ১০-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ খা মনিপুর কলেজ ককচিংনা শিনদুনা চথুরিবা এ. প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোর্দন কলেজনা য়ুনাইতেদ কলেজবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতনা সি.আই. কলেজনা এন.জি. মনি কলেজবু পাঞ্জল ৫-০ দা, অহুমসুবা মেটচতনা ৱেষ্টর্ন কলেজনা এন.জি. কলেজবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচতনা লিবরেল কলেজনা পোল ষ্টার কলেজবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ চান্দেলদা চথুরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসিগী মেটচতা জাফৌ বজার য়ুথ ক্লবনা লমফৌসনা য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা অংখেল চয়াং য়ুথ ক্লবনা পঞ্চাই এস.সি.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা, খুল্লেল য়ুথ ক্লবনা নারিমখু য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৬-২ দা, কপাম এফ.সিনা চুংবম এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

বাস্কেটবোল (এল)ঃ মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোলদা চথরিবা ২৮ শুবা ষ্টেট য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সেন্ট সেভিয়রনা সি.ৱাই.এল.সিবু পাঞ্জল ৫১-৩৪ দা, মোদেল ক্লবনা সৈনিক স্কুলবু পাঞ্জল ১৯-১৬ তা, অদুগা নুপীমচাগী মেটচতনা ৱাই.ও.এস.সিনা আর.কে. সনাতোম্বী বিদ্যালায়াবু পাঞ্জল ২৩-৪ দা থোইখ্রে। হয়েং নুপামচাগী সেমি ফাইনেল শান্নগনি অদুগা থা অসিগী ২৬ তনা নুপীমচাগী ফাইনেল শান্নগনি।

------